# ন্যু জিলেন্দগী মুস্লিমশিংগী অৱাবদা লৈবাক মীয়াম্না শরুক য়ারি : প্রাইম মিনিষ্টর জসিন্দা অরদর্ন




ক্রাইষ্টচর্চ, মর্চ১৯(এজেন্সি): ন্যু জিলেন্দগী মোস্ক অনীদা মীওই অমনা নোংমৈনা কপ্তুনা মরুপ-মপাং কয়া অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিং হাৎপা মতমদা মোস্কশিং অদুদা লাই খুরুম্লিবা মীওইশিংনা উৎখিবা থৌনাবু ঙসি লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর জসিন্দা অর্দননা থাগৎখ্রে অমসুং লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী নুংঙাইতবা মতম অসিদা অৱাবা নঙলিবা মুস্লিম কম্যুনিটিগীদমক্তা লৈবাক পুম্বনা লেপ্লি হায়খ্রে।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা ক্রাইষ্টচর্চকী মোস্কশিংদা চথখিবা নোংমৈনা পাক্তুক্লনা কাপখিবদগী থৌদোক অদুদা শিখিবা মীওই ৫০ গী লৈরোল চনবগী থৌরম পাঙথোক্লবা শেম শারিঙৈ চৈরক্তা প্রাইম মিনিষ্টর অরদর্ননা এটেক অদুদা অহানবদা হাৎখিবা মীওইশিংগী মনুংদগী অমা য়াওনা লাই খুরুম্লিবা মীওই অহুম্বু অকক্লনা নীংশিংদুনা শিংথাখি।

মশাগী চহী ৭১ শুরবা হাটি মোহম্মদ দাউদ নাবিনা অল নুর মোস্ককী থোঙ হাংখি। মহাক্না 'ইচিল ইনাওশা চঙবিরকউ' হায়খি। মসি মহাক্কী অরোইবা ৱাহৈশিংনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর অর্দননা ফোঙদোকখি। তৌবগীদি মহাক্না থোং মরুমদা লৈরম্লিবা মীওইদুগী ৱাখলদা চেনখিবা মীবু হঙ্গোই-তুক্কচ্চবগী ৱাখল অদুদি খঙখিদে। অদুবু মহাক্না মীওইদুবু তরাম্না ওক্লিবদুনা মহাক মেম্বর খুদিংমকপু তরাম্না ওক্লিবা ফেইথ অমগী মেম্বরনি হায়বসি উৎখি হায়না অরদর্ননা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখি।

অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক অদুবু মীনুংশিগা লোয়ননা হেন্দল তৌখিবগীদমক্তা পাক শন্না থাগৎনখিবা অরদর্ননা হায়, অসিগুম্বা মওংদা লৈবাক্কী অৱাবা ফোঙদোক্তুনা ৱা ঙাঙগনি হায়বসি মহাক্না খনখিদে।

ন্যু জিলেন্দগী সাউথ আইলেন্দগী দুনেদিনদা লৈবা অঙৌবা সুপ্রিমেষ্ট অমনি হায়না থাজনবা মশাগী চহী ২৮ শুরবা ওষ্ট্রেলিয়ন ব্রেন্টন তারান্টবু থাংজ নুমিত্তা মীহাৎপগী মরাল শিখি। মহাক প্লি অমত্তা থাঙ্গৎখিবা য়াওদনা রিমান্দ তৌখিবগা লোয়নননা এপ্রিল ৫ দা কোর্টতা অমুক পুথোক্লগনি। পুলিসকী মতুং ইন্না মহাক্কী মথক্তা মরাল খরসু শিরবা য়াই।

ভিক্তিমশিংগী ইমুংশিংনা অচুম্বা ৱায়েল শোয়দনা ফংগনি হায়না ফোঙধোকপগা লোয়নননা অরদর্ননা কৈদৌঙৈদসু মহাক্না গনমেন অদুগী মমিং পল্লোই হায়খি।

মহাক্না ফত্তবা তৌদুনা মমিং চৎনবা হোৎনরম্বা য়াই। তৌইগুম্বসুং ন্যু জিলেন্দদা লৈরিবা ঐখোয়না মঙোন্দা করিমত্তা পীরোই। মমিং ফাওবা পল্লরোই হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

মহাক্কী স্পীচ অদু অরাভিক গ্রীতিং 'অল সালাম অলাইকুম' হায়বসিগা লোয়নননা লোইশিনখি।

মোস্ক অনীদা ইরাই নুমিৎকী লাইশোল পাঙথোক্লিঙৈদা হাৎখিবা ভিক্তিমশিং অদু অয়াম্বনা পাকিস্থান, বাংলাদেশ, ইন্দিয়া, টর্কি, কুৱেট, সোমালিয়া অমসুং অতৈ য়াওনা লৈবাক কয়াদগী মুস্লিম মাইগ্রেন্টশিং, রেফ্যুজিশিং অমসুং রেজিদেন্টশিংনি।

ভিক্তিমশিংদুগী ওফিসল লিষ্ট হৌজিক ফাওবগী ওইনা থোক্ত্রি। পুলিসনা হায়, অশিবা হকচাংশিং হৌনবী মতুং ইন্না মশক খঙদোকপদা মতম শাংনা লৌবগী ফিভমদা পেন্নদ্রিবদু মখোয়সু খঙই।

অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ভিক্তিমশিংবু মশক খঙনবা হোৎনবা অমসুং মখোয়গী লিষ্ট অমা ফোঙবা হায়বসি অরুবা অমনি। কোরোনরনা পামবা মওংদা মীওই ১২ আইদেন্টিফাইদ তৌরে। মখোয়গী মনুংদগী তরুক্তি মখোয়গী ইমুংশিংদা শিন্নখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ভিক্তিমশিংগী হকচাংশিং চামথোকপগা লোয়নননা মুস্লিমশিংগী লাইশোল তিনথোলগা লোয়নননা লৈরোল চন্নবা শেম শারি। অচৌবা থবক অদুদা মতেং পাংনবা মপান্দগী ভোলন্টিয়র টিমশিংসু থুংলরে হায়রি।

# য়ুট্রেচকী ত্রাম মনুংদা নোংমৈ কাপ্তুনা মী হাৎখিবগী পান্দম খঙদোক্লবা দটচ ওথোরিটিশিংনা হোৎনরি

অমষ্টর্দাম, মর্চ১৯(এজেন্সি): মীওই অহুম শিহনখিবা অমসুং মঙানা অশোক-অপন নংখিবা দটচ সিটি য়ুট্রেচতা ত্রাম অমগী মনুংদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুগী পান্দম খঙদোক্লবা দইচ ওথোরিটিশিংনা ঙসিদগী হোৎনবা হৌখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পুং তরেৎ চুপ্পা কোইথি থিরবা মতুংদা টর্কি মচা ওইনা পোকখিবা মশাগী চহী ৩৭ শুরবা গেনমেন তানিস কৌবা মীওই অমা ফাবা ঙমখি।

প্রোসিক্যুটরশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক টেররিষ্টকী ৱাখল্লোন অমগা লোয়নননা মীওই অহুম হাৎখিবা মীশক্লি হায়না চিংনরি। পুলিসকা তোয়না মুক্লবগী হিষ্ট্রি লৈবা তানিসনা পোলিটিকেলগী থাজবা খরদা য়ুম্ফম ওইরগা মীহাৎ অদু পাঙথোকখিবরা নৎত্রগা লন্নাই নুংঙাইনদবা লৈবদগী থৌওং অদু চথখিবরা হায়বসি হৌজিক ফাওবদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

দটচ লোগী মতুং ইন্না, মহাক শগোলশেল নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা জজগী মমাঙদা পুথোক্কদবনি অদুবু মহাক্কী মথক্তা মরাল শিনিঙাইদি ওইদ্রি। অতোপ্পা সসপেক্ট অনীসু ফাদুনা থম্লি, তৌইগুম্বসুং মখোয়না মীহাৎ অদুদা



করি থৌদাং লৌখিবগে হায়বসিদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

থৌদোক অদুগী পান্দমগী মতাংদা ৱাফম খরা থম্নবা হোৎনরদুনা রিজনেল পুলিস কম্মিস্নর রোব ভেন ব্রীনা নিংথৌকাবগী অহিংদা পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন পি ও ১ দা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি মদুদি, চিংনরিবা মীওই অমসুং ভিক্তিমশিংগী মরক্তা মরী লৈনৈ নৎত্রগা লৈনদে হায়বসি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি। প্রাইম মিনিষ্টর মার্ক রুতেনদি নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা টেররিষ্ট মোটিভ লৈরম্লোই হায়নিঙাই লৈতে হায়খি।

তৌইগুম্বসুং নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা পাঙথোকখিবা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ুট্রেচকী সিনিয়র প্রোসিক্যুটর রুটাগর জ্যুকেননা হায়খিবদা, থৌদোক অদুদা ইমুং-মনুংগী ওইবা ইশুশিং চেন্নরম্বসু য়াই। টর্কিশ অমসুং দটচ মিদিয়ানসু মরুপ মপাংশিং অমসুং ইমুংগী মীওইশিং পল্লদুনা গনমেন অদুনা চথখিবা থৌওং অদু হকচিনবা মওংগী পোলিটিকেল আইদিওলোজিগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়বসি চিংননিঙাই ওই।

গনমেন অদুগী মরী মতা অমনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না চথখিবা থৌওং অদু টেরর এটেক ওইরম্বা য়াবগী চান্স নেমই। মহাক চহী কয়ামুক উরকখিদ্রবা মীশক্লি অমসুং মহাক্কী এক্সনশিং অদু থম্মোয়গী ওইবা ৱাফমদগী হৌরকখিবসু ওইরম্বা য়াই।

জ্যুকেননা পাউমীশিংদা তানিস মমাঙদসু ফারুরে হায়না ফোঙদেকখি তৌইগুম্বসুং অকুপ্পশিংদি পনখিদে। তানিস নৎত্রগা মহাক্কী মহুৎ শিল্লিবা উকিল অমত্তনা কম্মেন্ট অমত্তা ফোঙদোকখিদে। হন্দক চহী খরা অসিদা লন্দন, পেরিস অমসুং য়ুরোপগী অতৈ সিটি কয়াদা মিলিটেন্টশিংনা এটেক চথদুনা মীওই চা কয়া হাৎখি। অতোপ্পা এটেকশিং চথরকপা য়াই হায়বগী ৱাখলদা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈনরি।

# ব্রেক্সিট অরুবা ফিভমদা লৈরে, প্রাইম মিনিষ্টর মেনা স্পীকরগী রুলিং নাথৈনবগী লম্বী থিরি

লন্দন, মর্চ১৯(এজেন্সি): পার্লিয়ামেন্টতা অনীরক মায়থিবা নংখ্রবা বৃটেননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপগী দিল অহুম্নকশুবা ওইনা ভোট লৌনগদবা ওইরবদি দিল অদুদা অহোংবা খরা লাকহনগদবনি হায়বা স্পীকরগী রুলিং নাথৈবা য়ানবগী থৌরাং অমা পুথোক্লবা লৈঙাক্লা হোৎনরকখিবগা লোয়নননা টেরেসা মেগী ব্রেক্সিট প্লানশিং লৈবাক-পোকপা নুমিৎ ফাওবদা মথোং মরম খঙদবা ফিভমদা লৈ হায়রি।

চহী অনীমখায় চুপ্পা নিগোসিএসন্স চথরকখিবা তুংদা বৃটেনা ঈয়ু থাদোকপগী ৱাফম অসি করি থোক্লগাদে হায়বা চপ চানা খঙদনা লৈরি। লৈরিবা ওপসনশিংগী মনুংদা ব্রেক্সিটকী মতম শাংনা য়ৈথোকপা, মেগী দিলগা লোয়নননা য়ুনিয়ন থাদোকপা, দিল য়াওদনা মথোং মরম খঙদনা য়ুনিয়নদগী তোকপা নৎত্রগা অতোপ্পা রেফরেন্দম অমা পাঙথোকপগী ফিভম য়াওরি।

এগজিটকী মতম মার্চ ২৯ য়ৌগদবা নুমিৎ খরনিদা ঙাইশিল্লকপগা লোয়নননা য়ুরোপিয়ন কেপিটেলশিংদা লাংতক্ল রিবশিং হেনগৎহনবা অমসুং লন্দনদা লৈরিবা ক্রাইসিস হেনগৎহনবগী খোঙথাং অমদা স্পীকর জোন বার্কউনা মহাক্কী রুলিংদা ব্রেক্সিট দিল অদু মশক থোক্ল শেমদোক্তবা তরবদি পার্লিয়ামেন্টতা অমুক হন্না ভোট লৌনহনবা য়ারোই হায়না ফোঙদোরকপদগী মেগী লৈঙাক্তা অচৌবা চৈথেং অমা পীখি।

ব্রেক্সিট সেক্রেটরি ষ্টিভ বার্ক্লেনা হায়, স্পীকরগী রুলিং অদুগী মতুং ইন্না মেগী দিল অদু চয়োল অসিদা লোমেকরশিংবু ভোট লৌনহন্নবা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকপা য়ারোই। তৌইগুম্বসুং মিনিষ্টরশিংনা রুলিং অদুদগী নাথৈবা য়ানবগী লম্বীশিং থীরি। লৈঙাক্লা হৌজিকসু মেগী দিল অদু অহুম্নকশুবা ওইনা ভোট লৌনহন্নবা থৌরাং তৌরি।

মসি ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী অরুবা মতম হায়বদুনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়নননা বার্ক্লেনা হায়, স্পীকরগী রুলিং অদুনা দিল অদুদা হেন্না খুরৌ থাঙহল্লে। অদুনা চয়োল অসিদা অমুক হন্না ভোট লৌনবা য়াগনি হায়বসি থানিঙাই ওইরক্ত্রে।

CAS Medical
An Institute Collaborated with ENRICHMENT (Disha), New Delhi
ADMISSION OPEN
MEDICAL CRASH COURSE
& MOCK TESTS SERIES
for NEET-2019
Class commencing from 28th March, 2019
1. Supply Printed Authentic Study Materials for each unit.
1. Test will be held on every Saturday at 9.00 AM to 12.00PM
2. Solve Maximum No. of most probable questions of NEET Exam.
3. Direct Admission & Concession for CASIANS
4. CASIAN regular medical students must joint CRASH COURSE & TESTS
For Details Contact: CAS Office, Keishampat Junction Imphal
Hostel for BOYS & GIRLS available
HL-B/4983/20

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, POROMPAT, IMPHAL EAST, MANIPUR**

*Ref:- Mutation Case No. 453/SDC/P of 2019*

1. Sanasam Chanu Pramola W/o (L) Lairikyengbam Bimolchandra Singh of Khurai Chingangbam Leikai. - Petitioner

-Verses-

1. L. Bimolchandra Singh S/o (L) L. Nandakishor Singh of Khurai Chingangbam Leikai. -O.Ps

**/NOTICE**

Porompat, the 19/3/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি:- ইম্ফাল ইষ্ট পোরোম্পাৎ সর্কলগী ভিলেজ নং ২৪-খুরাই চীঙ্গাংবম লৈকায়গী পাট্টা নং --- (অরিবা), ১৯৬/৪৭৫ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ১০/৬১১, এরিয়া ০.০১৫ একরগী ইঙ্খোল ক্লাস লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নর অসিনা লৈখিদ্রবা পাট্টাদারগী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা এস দি সী পোরোম্পাৎ কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌবীরনবা খঙহল্লি নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector,**
**Porompat, Imphal East Manipur**

HL-P/6098/20

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, POROMPAT, IMPHAL EAST, MANIPUR**

*Ref:- Mutation Case No. 449/SDC/P of 2019*

1. Tongbram Tamphamani Devi W/o (L) Tomba Singh of Singjamei Wangma Bheigyabati Leikai.
2. T. Premkumar Singh S/o (L) Tomba Singh of -do-
3. Hijam (N) Tongbram (O) Monti Devi W/o (L) Oken Singh of -do- - Petitioners

-Verses-

Tongbram Tomba Singh S/o (L) Mera Singh of Brahmapur Bheigyabati Leikai. -O.Ps

**/NOTICE**

Porompat, the 19/3/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি:- ইম্ফাল ইষ্ট পোরোম্পাৎ সর্কলগী ভিলেজ নং ৪৯-ভৈগ্যাবতি লৈকায়গী পাট্টা নং ১০২ (অরিবা), ১২৮ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ২৫৩, এরিয়া ০.২০ একরগী ইঙ্খোল ক্লাস লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরশিং অসিনা লৈখিদ্রবা পাট্টাদারগী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা এস দি সী পোরোম্পাৎ কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌবীরনবা খঙহল্লি নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector,**
**Porompat, Imphal East Manipur**

HL-P/6098/20

TODAY TODAY
HOUSIE BUMPER DRAW
TICKET RATE Rs. 1500/-
In aid of Annual Fund Drive
Org. by: Asem Leikai Development Club
Regd. No. 697of 1966
MINI BUMPER
Ticket Rate
Rs. 300/-
PRIZE
1 Lakh
10TH HOUSEFULL
ACTIVA -5G

All Line, Quick 5
& Star are
Rs. 4000/-
Venue : Kakwa Vishal Opposit
Date & Time
20/03/2019
(Wednesday) at
5.30 P.M.
HL-P/6096/20

UCO SINGJAMEI BRANCH

यूको बैंक UCO BANK

SINGJAMEI

**POSSESSION NOTICE**

FOR IMMOVABLE/MOVABLE PROPERTY

**POSSESION U/S 13(4)**

**OF THE SECURITIZATION AND RECONSTRUCTION OF FINANCIAL ASSETS AND ENFORCEMENT OF SECURITY INTEREST ACT, 2002**

সেক্যুরিটাইজেসন এন্দ রিকন্সট্রক্সন ওফ ফাইনান্সিয়েল এসেটস এন্দ এনফোর্সমেন্ট ওফ সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট এক্ট, ২০০২ গী মখাদা য়ুকো বেঙ্ক ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী ওথোরাইজ ওফিসার ওইনা মখাদা সহি তৌরিবা ইশামক্না সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (এনফোর্সমেন্ট) রুলস, ২০০২ গী সেক্সন ১৩ (১২) অমদি মসিগী মতুং তাবা রুল ৮ অমসুং ৯ না পীবা শক্তি শিজিন্নদুনা শেল পুরিবা মীওই/গেরেন্টরশিংদা তোল্লিবা শেনফমশিং, মখোয়গী ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিংগা লোয়নননা নোটিশ অসি ফংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৬০ (নুমিৎ হুম্ফু) নিগী মনুংদা শিংদোক্লবা খংহঞ্জরি।

মখাদা পল্লিবা বোরোৱর গেরেন্টর মোর্গেজরশিংনা শিংফম থোকপা শেনফম শিংবা ঙমখিদবদগী ওথোরাইজ ওফিসরনা মথক্তা পল্লিবা এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩(৪) অমসুং মসিদা পল্লিবা রুল ৮ অমসুং ৯ গী পাৱর শিজিন্নদুনা মখাদা পীরিবা প্রোপর্টি অসি মখাদা পল্লিবা তারিক অসিদা লৌশিল্লে হায়না বোরোৱর/গরেন্টর অমসুং মীয়ামদা নোটিশ অসি পিজরি।

মখাদা পল্লিবা প্রোপ্রর্টিশিং অসি দিলিং তৌবিদনবা মীয়াম অমদি মরু ওইনা বোরোৱর/গরেন্টরশিংদা খঙহল্লি, করিগুম্বা দিলিং তৌগে হায়রবসু মখাদা পল্লিবা এমাওন্ট অমসুং শেন্দোইগা মান্নবা প্রোপরটি শরুক্কুগীদি য়ুকো বেঙ্ক শীংজমৈ ব্রাঞ্চকী অয়াবা লৌগদবনি।

| সে: নং: | শেল পুরিবা মীওই অমসুং গরেন্টরগী এ/সী নং, মিং অমসুং লৈফম | নোটিশ পীখিবা তারিখ, সিম্বোলিক পোজেসনগী তারিখ , নোটিশ পীবা নুমিৎতা লৈবা শিংগদবা শেনফম | প্রোপর্টিগী মওং মতৌ |
|---|---|---|---|
| ১. | এ/সী নং: ২৯৯৫০৬১০০০০৩০৪<br>**মীং : শ্রীয়ুম্নাম নিলমনি সিংহ,**<br>(বোরোৱর), য়ুম্নাম হুইদ্রোম অৱাং লৈকাই | নোটিশ পিখিবা তারিখ: ০১/০৯/২০১৮<br>পোজেসনগী তারিখ: ১৬/০৩/২০১৯<br>বি/ও এমাউন্ট: লুপা ৫,১৫,৫৩৪/- | দাগ নং: ৩৮/৭১৬ পাট্টা নং ৮৫/৫৬১/(অরিবা)/৬৯৫/৮৫৮/(অনৌবা) ওইবা একর ০.১৫ পাক চাওবা ভিলেজ নম্বর ৮৪- লাকু হুইদ্রোমদা লৈবা মখাগী অসুম্না কোয়শিনবা লম<br>অৱাং: এপ্রোচ রোদ<br>মখা: দোনরগী লম<br>নোংপোক: ৱাই কুমোলগী লম<br>নোংচুপ: ইন্টর ভিলেজ রোদ |
| ২. | এ/সী নং: ২৯৯৫০৬১০০০০৩১১<br>**মীং : শ্রীয়ুম্নাম গুনমনি সিংহ,**<br>(বোরোৱর), য়ুম্নাম হুইদ্রোম অৱাং লৈকাই | নোটিশ পিখিবা তারিখ: ০১/০৯/২০১৮<br>পোজেসনগী তারিখ: ১৬/০৩/২০১৯<br>বি/ও এমাউন্ট: লুপা ৫,১৯,১১৫/- | দাগ নং: ৩৮/৭১৬ পাট্টা নং ৬৯৫/৮৫৮/(অনৌবা)ওইবা একর ০.১৫ পাক চাওবা ভিলেজ নম্বর ৮৪- লাকু হুইদ্রোমদা লৈবা মখাগী অসুম্না কোয়শিনবা লম<br>অৱাং: এপ্রোচ রোদ<br>মখা: ৱাই কুঞ্জোগী লম<br>নোংপোক: ৱাই কুমোলগী লম<br>নোংচুপ: ৱাই অমুমচাগী লম |
| ৩. | এ/সী নং: ২৯৯৫০৬১০০০০২৯৮<br>**মীং : শ্রীয়ুম্নাম মুনাল সিংহ,**<br>(বোরোৱর), য়ুম্নাম হুইদ্রোম অৱাং লৈকাই | নোটিশ পিখিবা তারিখ: ০১/০৯/২০১৮<br>পোজেসনগী তারিখ: ১৬/০৩/২০১৯<br>বি/ও এমাউন্ট: লুপা ৫,০২,৬৭৬/- | দাগ নং: ৩৮/৭১৬/ পাট্টা নং ৮৫/৫৬১/(অরিবা)/৬৯৫/৮৫৮/(অনৌবা) ওইবা একর ০.১৫ পাক চাওবা ভিলেজ নম্বর ৮৪- লাকু হুইদ্রোমদা লৈবা মখাগী অসুম্না কোয়শিনবা লম<br>অৱাং: ৱাই অমুমচাগী লম<br>মখা: ৱাই কুঞ্জোগী লম<br>নোংপোক: ৱাই কুমোলগী লম<br>নোংচুপ: ইন্টর ভিলেজ রোদ |
| ৪. | এ/সী নং: ২৯৯৫০৬১০০০০২৬৭<br>**মীং : শ্রী থৌদাম হোলেন্দ্রো মৈতৈ**<br>(বোরোৱর), ৱাঙ্গোই থৌদাম লৈকাই | নোটিশ পিখিবা তারিখ: ০১/০৯/২০১৮<br>পোজেসনগী তারিখ: ১৬/০৩/২০১৯<br>বি/ও এমাউন্ট: লুপা ৫,৪৩,৮৯৭.৪১/- | দাগ নং: ১৫৩৬ পাট্টা নং ৩৫১ (অরিবা)/৫৩১/(অনৌবা) ওইবা একর ০.০৬৫ পাক চাওবা ভিলেজ নম্বর ৮৭- ৱাঙ্গোই সব-দিভিজন ৱাঙ্গোইদা লৈবা মখাগী অসুম্না কোয়শিনবা লম<br>অৱাং: এল ইবোবাইগী লম<br>মখা: এল হেরামনিগী লম<br>নোংপোক: টি ঐচ ইবোমচাগী লম<br>নোংচুপ: টি ঐচ ইবোমচাগী লম |
| ৫. | এ/সী নং: ২৯৯৫০৬১০০০০২৭৪<br>**মীং : শ্রী থৌদোম ইবোচৌবা মৈতৈ,**<br>(বোরোৱর), ৱাঙ্গোই থৌদাম লৈকাই | নোটিশ পিখিবা তারিখ: ০১/০৯/২০১৮<br>পোজেসনগী তারিখ: ১৬/০৩/২০১৯<br>বি/ও এমাউন্ট: লুপা ৫,৪৩,৮৯৭.৪২/- | দাগ নং: ১৫৩৬ পাট্টা নং ৩৫১ (অরিবা)/৫৩১/(অনৌবা) ওইবা একর ০.০৬৫ পাক চাওবা ভিলেজ নম্বর ৮৭ - সব-দিভিজন ৱাঙ্গোইদা লৈবা মখাগী অসুম্না কোয়শিনবা লম<br>অৱাং: এল ইবোবাইগী লম<br>মখা: এল হেরামনিগী লম<br>নোংপোক: টি ঐচ ইবোমচাগী লম<br>নোংচুপ: টি ঐচ কাওবগী লম |
| ৬. | এ/সী নং: ২৯৯৫০৬১০০০০২৮১<br>**মীং : শ্রী থৌদোম লন্দন মৈতৈ**<br>(বোরোৱর), ৱাঙ্গোই থৌদাম লৈকাই | নোটিশ পিখিবা তারিখ: ০১/০৯/২০১৮<br>পোজেসনগী তারিখ: ১৬/০৩/২০১৯<br>বি/ও এমাউন্ট: লুপা ৫,৪৭,২১১.৩৩/- | দাগ নং: ১৩৯২/১৪৬৫ পাট্টা নং ২৪১ (অরিবা)/২৭৬/১০৯৪/(অনৌবা) ওইবা একর ০.১১২ পাক চাওবা ভিলেজ নম্বর ৮৭ - সব-দিভিজন ৱাঙ্গোইদা লৈবা মখাগী অসুম্না কোয়শিনবা লম<br>অৱাং: টি ঐচ পাকচাওবগী লম<br>মখা: টি ঐচ ইবোচাগী লম<br>নোংপোক: ঈ গোপেগী লম<br>নোংচুপ: এপ্রোচ রোদ |
| ৭. | এ/সী নং: ২৯৯৫০৬১০০০০২৪৩<br>**মীং : শ্রী হুইরেম সুরেস সিংহ**<br>(বোরোৱর), কৈশামথোং এলাংবম লৈকাই | নোটিশ পিখিবা তারিখ: ০১/০৯/২০১৮<br>পোজেসনগী তারিখ: ১৬/০৩/২০১৯<br>বি/ও এমাউন্ট: লুপা ৫,৪৭,২১১.৩৩/- | দাগ নং: ১১২৭/১৪৭১ পাট্টা নং ১৪০ (অরিবা)/৯০৭/১২৮০/(অনৌবা) ওইবা একর ০.০৭ পাক চাওবা ভিলেজ নম্বর ৫-খাবম হৈঙাং তাশিলদা লৈবা মখাগী অসুম্না কোয়শিনবা লম<br>অৱাং: টি ঐচ মনিগী লম<br>মখা: টি ঐচ গোলেনগী লম<br>নোংপোক: টি ঐচ নন্দোগী লম<br>নোংচুপ: এন জি অমুমচাগী লম |
| ৮. | এ/সী নং: ২৯৯৫০৬১০০০০২৫০<br>**মীং : শ্রী হুইরেম রোবার্ট সিংহ**<br>(বোরোৱর), কৈশামথোং এলাংবম লৈকাই | নোটিশ পিখিবা তারিখ: ০১/০৯/২০১৮<br>পোজেসনগী তারিখ: ১৬/০৩/২০১৯<br>বি/ও এমাউন্ট: লুপা ৫,১৫,৯২৬.৩০/- | দাগ নং: ৫১২১ পাট্টা নং ৬৭৮ (অরিবা)/১১৮৪/(অনৌবা) ওইবা হেক্তর ০.০২৬৫ পাক চাওবা ভিলেজ নম্বর ৪২ - কৈশামথোংদা লৈবা মখাগী অসুম্না কোয়শিনবা লম<br>অৱাং: ঐচ ইশ্বরলাল, ঐচ নন্দালাল অমসুং ঐচ জৱাহরলালগী লম<br>মখা: বি গৌরহরিগী লম<br>নোংপোক: ঐচ তোম্বগী লম<br>নোংচুপ: ঐচ তোপেন্দ্রো সিংহগী লম |
| ৯. | এ/সী নং: ২৯৯৫০৬১০০০০৭৬<br>**মীং : শ্রী রাজেস খুনরাকপম**<br>(বোরোৱর), অৱাং পোৎশঙবম খুল্লেন | নোটিশ পিখিবা তারিখ: ২০/০৩/২০১৮<br>পোজেসনগী তারিখ: ১৬/০৩/২০১৯<br>বি/ও এমাউন্ট: লুপা ৩২,১২,৯৪৭.৮০/- | দাগ নং: ৯১/২৪৭ পাট্টা নং ৬৩/৭০১/ (অরিবা)/১৫০/(অনৌবা) ওইবা একর ০.১৫ পাক চাওবা ভিলেজ নম্বর ২০ নিলকুথি য়ুম্নাম লৈকাইদা লৈবা মখাগী অসুম্না কোয়শিনবা লম<br>অৱাং: ৱাই মঙ্গিগী লম<br>মখা: টি চাওভনগী লম<br>নোংপোক: ভেন্দর (ৱাই মংলেমজাও)গী লম<br>নোংচুপ: ইম্ফাল তুরেল |
| ১০. | এ/সী নং: ২৯৯৫০৬১০০০১৪২৪<br>**মীং : শ্রী আর কে মিক্সন সিংহ**<br>(বোরোৱর), ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপাল | নোটিশ পিখিবা তারিখ: ১৮/০৯/২০১৮<br>পোজেসনগী তারিখ: ১৬/০৩/২০১৯<br>বি/ও এমাউন্ট: লুপা ১৫,৫৯,৮৫৩.০২/- | দাগ নং: ১০৬৩/ পাট্টা নং ৩৪৬/ (অনৌবা)/ওইবা একর ০.০৪৯ পাক চাওবা ভিলেজ নম্বর ২৭- ৱাংখৈ নোংপোক্তা লৈবা মখাগী অসুম্না কোয়শিনবা লম<br>অৱাং: আই ভি রোদ (শাবি লৈরক)<br>মখা: এন জি সোমোরজিৎকী লম<br>নোংপোক: এস ভুমেশ্বরগী লম<br>নোংচুপ: এস গোবিন মৈতৈগী লম |

তারিখ ২০/০৩/২০১৯

HL-B/5247/3

***Sd/-* Authorised Officer, UCO Bank,**
**SINGJAMEI BRANCH, IMPHAL**